# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-07-2024)**

**রঞ্জন (এল)ঃ** হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি-দেঙ্গি থেংননবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা তঙাইফদে। লমফেলপাৎতা লৈবা ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসনগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবা পাক শন্না থবক পায়খৎপনা দেঙ্গি লাকশিনবদা চাউনা কান্নবা ফংগনি।

মহাকা হায়-দেঙ্গি লাকশিন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকারগী মথৌনি। অদুমওইনমক, মীয়ামগী মপুং ফাবা মতেং য়াওদনদি পান্দম অসি ফংবা ওইথোক্লোই। হকশেল বিভাগনা অতৈ মরি লৈনবা বিভাগশিংগা খুৎশমদুনা দেঙ্গি লাকশিন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

মন্ত্রিনা হায়-ঈশিং টেঙ্কিশিং অমদি সেফতিক টেঙ্কশিং অসি কাং মরুম কোকফমনি। মসিগী মথক্তা য়ুমগী অকোইবদা ঈশিং তুংশিনদুনা লৈবা পত্রাশিং য়ারিবমখৈ থমলোইদবনি। অসিগুম্বা মফমশিংদা কাং মরুম কোকশিনদুনা দেঙ্গি লায়চৎ শন্দোকই।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা দেঙ্গিনা নাবা মীওই ৮১ থেংনরে। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২৯, ইম্ফাল ইষ্টতা ২০, থৌবালদা ১৩, বিষ্ণুপুরদা ৯, চান্দেলদা অহুম, ককচিংদা মঙা, উখ্রুল অমসুং কাংপোকপীদা অমমমনি।

**কেম্পেইন(এল) ঃ** স্তোপ দাইরিয়া কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ইরোইশেম্বদা লৈবা অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা ঙরাং জিঙ্ক টেব্লেট অমসুং ও.আর.এস. য়েন্থোকখ্রে। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং খঙদোকবা চেক তৌবা অমসুং তিকা থাবনচিংবসু পাঙথোকখি

হায়রি।

**কামজোং(এল) ঃ** কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রাংনামৈ রাং পিটরনা জিলা অসিগী কসোম খুলেন হেদক্বাটরসতা লৈবা সাদভানা মান্দপতা ঙরাং নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ান হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-নাসা মুক্তা ভারত অভিয়ান অসি হৌদোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, মীয়াম অমসুং মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ময়াই কাবা নিশানা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবনি। মহাকা হায়-ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা নিশা শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী তুংগী পুন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি।

নহাশিংগী খ্বাইদগী য়েকবা অসি নিশা অমদি মসিগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অসিনি। কুমশি চহিগী ওইনসু নিশা শিজিন্নবগা মরী লৈনবা ক্রাইম অমদি নিশানা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীগী মশিংগী চাং য়ামা ৱাংলি। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা নিশানা পীরিবা চৈথেং অসিদগী কন্নবা হোৎনবদা ইমুং মনুংশিং খক্তা নত্তনা ওজা অমদি মীয়ামগী লুচিংবা ওইনা লৈরিবা মীওইশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড হেপাটাইটিজ ডেগা মরী লৈননা হেপাটাইটিজ লায়নাগী মতাংদা জিলাগী থাক্তা অমদি রাজ্যগী থাক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমা লাক্লিবা থা অসিগী ২৬ তা লমফেলদা লৈবা ফেমিলি ৱেলফিয়ার ট্রেন্নিং সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা মীফম অসিদা জিলা খুদিংমক্তা লৈরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসারশিং, এন.ভি.ঐচ.সি.পি. অমসুং ষ্টেট দাটা মেনেজরশিংনা শোয়দনা শরুক য়াননবা ষ্টেট মীসন দিরেক্তর, ষ্টেট হেলথ

সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

**ত্রেন্নিং (এল) ঃ** ও.বি.সি. উরুপ গালর্স হোষ্টেল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা কাউনানা শাবা পোৎলমশিংগী নুমিৎ তরেৎনি চথুগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং অসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা পুন্না শিনবনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল পিত্রদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওনা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, টুয়েল্ব বোর বোল্ট এক্সন সোর্ট গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, দিটোনেটর মরি, নোংমৈ মরু ৪৭ অমসুং ৱয়ারলেস সেট অমা য়াওরি।

অমরোমদা, চুরচান্দপুর জিলাগী কোইতে ভিলেজতগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা পম্পী অনি ফাগৎলে হায়রি।

**বেদমিন্টন (এল) ঃ** দা য়োনেক্স-সনরাইজ ফোরতি ফার্ষ্ট ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬৮ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ঙরাংদগী দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা এম.দি.এগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসি অন্দর নাইন অমসুং মেন্স ওপন হায়না কেটেগোরি অনি থোকা পাঙথোকপনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংদা অনোবা ইনোৎ

অমা পীবা ঙম্লগনি। শান্ন খোৎনবনা থকশি খাসি লৈহনবতা নত্তনা ময়াই কাবা নিশাদগী লাপথোকহনবদা চাউনা মতেং পাংলি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়-চহি অমসুং নুপা-নুপী খায়দনা শান্ন-খোৎনবগী হৈনবী লৈবনা মীওই অদুগী মশা-মউ ফনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংলি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসিএল ৱেলফিয়ার-হৈখাম দিংগোনা হায়-কালা সংস্কৃত্তি অমসুং শান্ন-খোৎনবনা ঐখোয়গী রাজ্য অসি মালেমদা শক তাক্লি। বেদমিন্টন মশান্না অসি মনিপুরগা য়ামা চান্নবা অমসুং মিংচৎ ফংনিংঙাই ওইবা মশান্না অমনি হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিনবা কার্গিল বিজয় দিবস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙরাংদগী মোইরাং মল্টি পরপজ হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি-কুম্বীনা য়ু.ৱাই.টি.এফ.সি. থমাপোকপীবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহুমশুবা অম্ফা কপকী ঙরাং লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এদল্ট এসোসিয়েসননা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু ৩-১ দা থোইখ্রে।

**নিটঃ** পেপর লিক ওই অমসুং অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়দুনা নিট (য়ু.জি) ২০২৪ গী ইগজামিনেসন কেন্সেল তৌখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

চীফ জষ্টিস-দি.ৱাই. চন্দ্রচুর, জষ্টিস-জে.দি. পরদিৱালা অমসুং মনোজ মিশ্রা য়াওবা বেঞ্চ অমনা হুকুম অসি থোকখিবনি। লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট

অসিনা হায়-ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা পেপর লিক ওইখি হায়বগী মতিক চাবা প্রমান ওইবা য়াবা মচাক অমত্তা ফংবা ঙমদে। কোর্ট অসিনা মখা তানা হায়-অমুক হন্না পরিক্ষা থাবনা মহৈরোই লাখ ২৩ হেনবগী একাডমীক সেদ্যুলদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফাইনান্স মিনিস্তর-নিরমালা সিতারামননা য়ুনিয়ন বজেট পুথোকখিবগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ফাইনান্স মিনিস্তর নিরমালা সিতারামননা য়ুনিয়ন বজেট ২০২৪-২৫ পুথোকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা, য়ুনিয়ন বজেট অসিনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংশিং, লাইরবশিং, লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সব হেদলাইন তৌরি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন বজেট ২০২৪-২৫ অসিনা বিহারগা অন্ধ্র প্রদেসকা পুন্না হৈথখ্রে, ঈচাও অমদি লানগী অৱাবা মায়োকরিবা মনিপুরগীদি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙনাবা হেদলাইন পীরদুনা-মোরনিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা ইমা লৈবাক্তগী হেন্না নুংশিবা অমত্তা লৈতবনা পুমমক সেক্রিফাইজ তৌরিবনি, ষ্টেটকী চাউখৎ থৌরাংগীদমক সেন্টরনা অহেনবা ফন্দ শোয়দনা পীরক্কনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী থবক লৌবগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরিবা অদু ইনক্বারি কমিতি শেমদুনা য়েংশিন্নবা গভরনা খঙহনখিবগী

পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ইম্ফাল য়াইরিপোক লন্বী থিংবগী খোঙজংগী মনুং চন্না ইলেক্ট্রিসিতি অমসুং ৱাটর সপ্লাই মীয়ামনা থিংজিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেপ্তেম্বর থা ফাওবদা উ পান্বী লাখ ৭০ থানবা পান্দম থল্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

চহি অসিগী ওইনা ষ্টেট অসিদা দেঙ্গি কেস পুন্না ৮১ লৈরি, মীয়ামগী মতেং য়াওদনা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমলোই হায়না হেলথ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-লৈঙাকা অচান মীরাই নাইরে হায়দুনা এম.এল.এ. নুরুল হাসন পেন্দ্রে, এম.এল.এনা মহাক্কী ক্ষেত্রিগাওগী মীয়াম্না লুচিংদুনা দি.সি. ওফিস তমা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-রাজ্য অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবগীদমক শেল থুম মরাং কায়না লৈগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-এন. বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ শেন্বীদবগা মরী লৈননা ওল জিরিবাম রোড ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরসনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-য়ুনিয়ন বজেট ২০২৪-২৫ দা মনিপুরগী মতাং য়াওরক্তবগী পাউ, অহানবা হেদলাইন তৌরি।